# ৱারী মচা 'কুনুর' গী হেলোই

হিজম গুন

নুমিৎ মরিনী চুপ্পা রেলগারী তোংলকপনা খোঙনা অমুক্তা চৎচবা ফঙলবদিকো হায়না খল্লম্বদগী অদুম তুমখ্রমাল্লে। থৌজাল হৈরবা ঐগুম্বা যাত্রীক অমগী কম্বল মচি অমা নল্লমদ্রবদি ঐগী লমথুংফম হেন্দোক্লম্বা ফাওবা য়াবনি। মহাক্লা মফি-মরোল লোয়শিনবদা মাগী কম্বলদু খঙচিং চিংলম্মী- অসুম্না ঐবু মীৎকপ থোকহল্লম্মী। ঐগী গুন অমদি ক্লাক-চাকচা, য়েন-য়াহিপ অসিনি। মীৎ হেক পাংবদা ঐহাক 'কুনুর' দা কুমথগদৌবনি হায়বসি খঙনিং নীংশিংই। করি ষ্টেসন্নো হংনবদা 'কুনুর' গী ওইরম্লে। শমদা লীৎপনি-ঐগী পোৎ-চৈ তন্না লোয়শিল্লে পুংফম মতম চাদ্রবা নোংয়াই মতুং পুং অমা মখায় তারকপা মতাং অদুদা।

ষ্টেসন মচানি, খুন্তাক লানশিবদৌনা তৌই, পুংফম্নগা চাদ্রে ঐগুম্বা মরাইবক থীরবা যাত্রীক অমা অনী নত্তনা কনা থোইদোকপা লৈরমদে। কুলি ফাওবা উবা ফঙলমদে। ময়েক্কীদি ঐহাকপু ওকপীরমগনি হায়বনি। থাজদুনা লাকপনি ঐসু থাজভম থোক্তবা ৱা-ইথক থোংবা অচৌবা অমনা মাগী মখা থাবা চাকরীৱালা অমগীদমক নোংয়াই মতুংদা অরুমবা ফম্মুং থাদোক্তুনা মিশেন খাংবীরমগনি হায়বা। অদুমকপু কোইয়েং য়েংলমই ঐহাক, লৈরমগদ্রা হায়না। ইলেক্ত্রিক্কী মৈঙান অদুনা ঐঙোন্দা করিসু মীনমখিদে-পূম্নমক পুমহাং হাংই, কুলি অমা অনীদং অরাপ্পদা লাংলিবদু নত্তনা। ঐনা কৌবদা মখোয় অনীমক নাপ্পা শেন্দান্নে। খঙকি কিরম্মী-করম্না মফম অসিদা!

চিংঙৈনা ত্রেন থাখ্রে-পুমচিক চিকহৌরে। অয়ুক নুংথিল চুপ্পা ৱারুরবা কুলিশিং লেংনিংদ্রে- ৱা হংবফাও খুম্নিংদ্রে। করম্নো? নুংনাংলিঙৈ তাঞ্জা অসিদা বামন অবতার মাল্লবা মতা চাদনা থিকনেম্বা খোঙ্গ্রাউ অককপা শেৎপা, মোজাফুরিৎ লীৎপা, পিকচরবসু মরেপ্তগী মপুক্লা হেন্না চোনবা, কুচু মুবা, নুপা অমা ঐঙোল্লোমদা পরপ পরপ চঙলক্লে। নহান অমুক্কী মপোক্তা খঙনখিবদৌনা মকোক নোন্না মখূৎ য়েৎনা লৈবাক শোক্লিং শোকমাং তৌনা সলাম তৌরদুনা ঐঙোন্দা হায়,

হুজুর করি লম য়ৌবীগদবা?

ত্রিবান্দ্রম।

মদুনা হয়েংগী ৱানি, হৌজিক নুমিদাংবু হায়জরিবা!

হৌজিক্কীদি ঐহাক অসিৱাইদা লৈগদ্রা খঙদ্রে। নখোয়গীসিবু হোটেলককা লৈ লাক্ত্রা?

অনকপদা লৈতে। মতমসু থেঙখ্রে। করিগী চিংনবীরি, সাহেব সরকারগী চাকরী তৌবা মীনি হায়বা খঙজে। নুংঙাইরবা ডাক বঙ্গলো-ফজরবা কা, মোল্লবা ফম্মুং, চেকশিল্লবা চৌকিদারনা ঙাক শেল্লিবা অদুগা। হুকুম ফঙজরবদি মফমদুদা থিঞ্জগে, থায়না বাদশাহশিংনা নোংথক্তা পাইখিবগুম পাইগদৌবা কার হুজুরগীদমক অসিদা –

চিরোন্নি খঙনা হরাওরমই ঐহাক।

কয়াম লাপ্পা জাৎনো–

চিক্লা পোত্থাবদি য়াগনিকো!

শুপ্নগী মাইল তরামাথোইতনি। মিনিট তরাদগী লম্বীনি।

হায়ফেৎ নোক্লগা মখা তারকই, ''চিক্লা পোত্থাবগীদি করি হায়নি সাহেব হেরেম থাদোকপীরল্লবনিনা অদুম নুংঙাইবীগনি।''

অর্থ খঙদবা ৱানি, অদুবু করম হঙঙুনি। পুরো হায়দুনা ইঙ্গিৎ তৌরম্মী। মহাক্লা তাপ চোংশিল্লক্তুনা ঐগী পোৎয়োম-চৈয়োমদু লৌখৎখিবদু লম্মৈগী মৈতোন্না উতোন-ৱাতোন লামখিবদু মঙাই। পংলাপ লাপ্তনা অমুবা কার অমা থারম্লে, কারনি অদুবু মওং চাদনা উই। ঐখোয় লাকপা উবদা লোংগী শেৎপা, কারগী মচুদুগী লোক্লবা য়ারবা কুচু মুবা চাউদম-শাংদম্লবা নুপা অমা কারদগী কুমথরক্তুনা ঐখোয়রোমদা চেনশিল্লক্লে, ঐঙোন্দা সলাম তৌরম্লগা মখোঙ থাংবদা ৱানা উরবা 'বামন' অদুদগী পোৎয়োমশিংদু লৌরগা কারদা হাপকৎখি, কারগী তুংগী থোঙ হাংদোক্তুনা ঐবু কাখৎলক্লা ঈঙ্গিৎ তৌরম্মী। ঐ কাখৎলম্মী।

মখোয় অনী ঐনা খঙদবা লোনদা ৱা অমা অনী ঙাংনরম্মী-কারদু নুংশিৎকী মমাঙ থানা থৌগৎলম্মী।

অহানবা ঐগী খা-ভারত চৎপগী খোঙচৎনি।

অসুম অসুম থৌগৎলমমী- কয়াম লাপ্পা খঙদে ঐহাক। ফনা শাংনা চৎলবা তুংদা শোংনা উরবা উরক ৱারক অমা তম্না থৌজিল্লম্মী। লাপ্তক্লা মৈঙান অমা অদুদগী মথং মথং লাক্তুনা কাবক চাউরবা য়ূম অমা য়ৌরম্মী। হেক য়ৌবগা বামন্না গারীদগী ফন চোংথখিদুনা চেনশিনখি, থোঙ থিন্দুনা হৌদোক্লুই চৌকিদার। ড্রাইভরনা ঐগী পোৎ-চৈ হোন্দোক্তুনা য়ূমগী দারীদা, ঐনা মাগী মতুংদা।

অহল ওইরবা চৌকিদার লালটেন থাউমৈ অমা পায়, থোঙ হাংদোক্লগা থোরক্লম্মী। ঐবু উবদা সলাম তৌরগা ডাক বাঙ্গলোগী মথক থংবা দলালগী কাদা ঐবু চিংদুনা পুরম্মী। ফজরবা ফম্মুং অনী নাক্তা চৌকি টেবল, ফিয়ান, আলমিরানা লৈতেংলবা মথক্কী কা অমদা ঐখোয় পূম্নমক চঙশিল্লম্মী। বামন অদুনা অমুক সলাম তৌরগা–

হুক্কুম তৌবীরবদি ঐখোয় হঞ্জখ্রগে!

ভারাদি কয়া?

হয়েং অমুক লাকচখিগনি ত্রেন মতম নঙননবা হাজির তৌজরগনি। অসি হায়রগা মখোয় অনীমক য়াম্না ব্যবহার তৌনা তুং হন্না হন্না থোকখিরম্মী।

চৌকিদারনা মায়-মীৎ তাথোকফম, হকচাং শেংদোকফম্নচিংবা ঙম্না তাক্লম্মী। মায়-মীৎ তাথোক্তুনা পোত্থারগে শেম শারিঙৈ–

হুজুর চা পুজরকপা য়াগদ্রা?

উম চা! লৈরবদি কপ অমত্তং থক্লিংই অদুগা চানবদি করি করি লৈ?

চানবদি বদাম নত্তনা অতৈ ফঙলোই।

ফরে চৌকিদার চাগা বদামগা!

ফম্মুংদা কাখত্তুনা ঙাইহাক পোত্থারিঙৈ চা বদাম পুরক্লম্মী।

হুজুর সহরদগী লাপ্না লৈরবসু ডাক বাঙ্গলো অসি মী থুংলবগী অরেপ্পা লৈতে। করিসু চিংনবীগনু, ঐহাক অহিং চুপ্পা তুমদা হিপ্তনা শন্ত্রি তৌজগনি। ঙসিদি সাহেবকা ঐগতা মঙাইরে। অপাম্বা হেক্তা তাকপীরকউ ঐ মখাদা লৈজরুগে।

ফরে চৌকিদার।

টেবল মথক্তা মোম্বতি থানফম পিথ্রাইগী ষ্টেন্দ মনাক্তা মোম্বতি অমা অনী থনম্লগা চৌকিদার মখাদা কুমথখিরম্মী। চাবা থকপা লোয়বগা ঐহাক হিপথরম্মী, লোয়শিল্লক্লবা মোম্বতি মতেক্তু অদুম চাকহৌরি।

মীৎ খবেৎ তৌরকপদা অকনবা নুংশিৎ অমা লাকপদৌনা তারম্মী, মোম্বতি মুৎখিরম্মী। চিঙৈ তারম্মী নুপীগী খোঞ্জেল অমা-নুংশিৎ মরম থোকপদগী ওইরমাল্লে। অরাপ্পদগী লাকপা খোঞ্জেলসু মাল্লমদে য়াম্না নক্লা তাবগুম তৌরম্মী-মঙওই হা-ওই হায়ফম খঙলমদে। তাঞ্জাদুমক্তদা চৌকিদারনা ''হুইসিয়ার'' ''হুইসিয়ার'' হায়না লাউরকপমা তাবগুম তৌরম্মী।

তুম্নিংবনা মুল্লম্মী-ঙাইহাক উইরোল উইরোল তুমথরুরমাল্লে নীংই। থিক থিক নোক্লকপা খোঞ্জেল অমনা ঐবু মীৎকপ থোকল্লম্মী।-নুংশিরবা মীনোক্লি-হোইশাংনরবা, য়ামনা থৱায় তারবা মীনোক। মহৌশা ঐগী অশোনবা মতাংদুমক থেঙনরমাল্লে। মীৎ-না ঈশিং শিংবগুম তৌরম্মী। নীংশিংলম্মী বামন্দুনা হায়রম্বা 'হেরেম থাদোক্লম্লবনিনা অদুম্মক নুংঙাইবীগনি।' উম, করম খঙবা মহাক ঐগী থম্মোয়গী ৱা!

মোনদগী কোক হায়ফেৎ কাংখৎলম্মী-অদুবু মীনোক্তুদি তাখিদ্রে। উম, নত্ত নত্তবঙাক খল্লে ঐহাক লংফৈসিদা। মহোয় মমানা য়াম্না থাজহৌবদু ঐগী ইতৌসিমক্লা ওইরমগনি। অমুক তুমথগে শেম শারম্মী। অমুকসু তারক্লমমী মীনোক্তু, ঐগী ৱাখন্নরা খঙদে-হন্দক্তিঃ মখোয় মমাগী মীনোক্তুমক মানশিল্লক্লে। মীনোক্তুদা নত্তনা হন্দক্তি কা মনুংগী থোঙদু হোংদোক্লকপদৌনা শউম অমা তারম্মী।

তুমিন লৈরম্রা ঐহাক! ঐহাক হিপ্লম্বদগী ফম্মুং ময়াইদা শউম লাক্লিবা অদোমদা মীৎ লাউন পাঙথোক্তুনা য়েংলম্মী। খূজি-নাচিগী শ্রিং শ্রাউ লাউবা, খুন্নিং কাং-না লাকপগী নামিবা খোঙথাং-

য়ামনা হৌনদবা ৱানি। নুপা মথন্তা লৈবা অমম্বা কা অমদা থঙনবা কা অমদগী নুপীনা। কনানো? মপুরোইবা লৈবী নুপীরা? ঐহাক স্বাই লাউরম্মী। মোন মখাদগী টোর্চলাইট লৌথোক্লম্মী, চঙলক্লিবা অদোমদা খঙকাপ কাপ্লম্মী, লাই য়াওরবদৌনা থাউমৈদু অমুক্তং ঙানখিবগুম তৌরম্মী অদুদগী পুমম মম্লম্মী। উহৌবা হায়ববু কা মনুংগী চৌক্রি-মেজ-ফিয়ান।

নোক্লিংলম্মী। তুমথরুবা মতাংদুদা মখোয় মমানা আ য়ূমদা ঐবু নীংশিংলমগনি, মদুদা মঙফাওনবা ওইরমগনি। নীংঙম্লক্তে পূক্লিংদা, নুংশিরবসু মাবু, ইচিন অসিনা নঙ নৎত্রবদি তাইবঙপান অসিদা মনুং শোক্লা নুংশিবা কনা অমা লৈতে হায়খিদে ঐনা মঙোন্দা। মানা চিংনা চিংনা য়েংজহৌবা ঐনা ওকপীরমদে।

ওকপীরমদে –মদুগী লমন্নি ঐনা শিংগদৌরিবা। ইথন্তা থিক থিক নোক্লম্মী। ঐনা নোকপদুগা চান্ননা থিক-থিক নোকপমা তারম্মী।

হান্দক্তি হৌগত্তবা ঙমদ্রে, হৌগৎলমমী। খুন্নিং কাংনা চৎলমমী থঙনবা কাগী থোঙ তম্না। থোঙগী পৌরোল তপ্পা শৎলম্মী। অদুবু হাংদোকপদি ঙম্লমদে। থোঙবান্দা নপশিন্দুনা তারম্মী-থম্মোয়দা চোংবা মীহুন্দু নাকোং অনীদা দং দং পাল্লম্মী। পুমচিক চিক্লম্মী। থোঙদু হাংদোক্লমগদৌবনি অদুবু অকিবমা পোক্লম্মী। অমুক ফম্মুংলোমদা। বামনদুনা হায়খিবদুতা!

তুম্মিংবনা মুল্লম্মী-ৱাখল পূম্নমক তামখিরম্মী, হিপথরম্মী।

কয়াম কুইখ্রবা খঙদ্রে, ঐগী হকচাং নোমদুনা হৌদোক্লককপদা ঐহাক মীৎকপ থোক্লম্মী-মঙগা তাইবঙগা অনীগী মরক্তা লৈবা অহাংবা অমদা ওইরম্বা য়াই। মোল্লবা খূৎশাশিংনা ঐগী খুজেংদগী অসুম অসুম নানখৎলক্তুনা পাম্বোম মরু য়ৌরক্লম্মী। ঐহাক তুমিন তাদুনা লৈরম্মী। পাম্বোমদগী খৌরীদা শুপ্লিবা ফৈজুপ মনুংদনি। তপ্না তপ্না নাল্লম্মী-ঐহাক খঙহৌদনা খূৎ অনীমক তিংথোক্লম্মী, শ্রিৎ শ্রাউ লাউনা খূৎশাশিংদু শত্তোকখি। অমুক তুমিন লৈখ্রে কনামত্তা লৈতবদৌনা।

পংথরম্বদগী কোকচাউবী কারম্মী। মোন মখাদা থমখিবা যোর্চলাইট লৌথোক্লে মারুবদা পাক থেঙনদ্রে। করম্বা তাল্লক্তা চুখিবনো খঙদে নোং চুথরক্লম্মী, নুংশি শিংলম্মী। হুঁ হুঁ শিংলিবা নুংশিংনা থোঙগী থোঙনাশিংদা ফুজিল্লম্মী। ঐহাক ফুক হৌগৎলম্মী। হৌগৎলকপমক্তদা নোংথাং কুপ্লকপগী মঙান্না মিংশেলগী মীহুৎথোঙ ফাওজিল্লক্তুনা কা অদু ঙাম্থোক্লম্মী। মঙান অদুদা কা মনুংগী থঙনবা কাগা ফাওনরিবা থোঙজাও অদোমদা কোক্তগী খোঙ ফাওবা কুপ্লবা ফিজোন শেৎপী নুপী অমা তপ্না তপ্না চঙখিবদু উরম্মী। ঐবু খুজেং পায়দুনা চিংলবদৌনা ঐসু চৎলম্মী অদোমদা। চেকশিন্না লোনখিবা থোঙ হাংদোক্লম্লে, থোঙদু লাম্থোক্তুনা চৎলম্মী ঐ অতোপ্পা কাদা।

পায় হায়বা খঙদনা পায়রক্লম্বা টোর্চলাটি কাপ্লম্মী। অঙকপনি অসাই কাপ্পদা য়াখিদ্রবা থাউমৈ ঙাম্থোক্লক্লম্মী। মৈ হেক কাপ্পদা উচেক ৱায়া পায়থোকখিবদৌনা অকনবা শউম অমা তারম্মী। কা অদু মিরাং থাংলম্মী, মচি মচিদা অমোৎ অকায়না পুমচায় চায়রম্মী। অসুম য়েংখিবদা অৱাংথংবা ফক্লাংগী ময়াই চপ চানা লেপমুক ৱাংনা মশক মতৌ ফজরবী কনাগুম্বী অমগী তসবীর অমা পীক্লবা লংজা অমনা য়ান্দুনা নোমহৌ নোমহৌ হায়রিবদু উরম্মী। তসবীর লোমদা চঙশিল্লম্মী হায়, হুম্বদু নুংঙাইতদুনা লেঙহন্দনা থমগে হায়না পায়রুবদা লংসুংদু তত্তুনা লৈমায়দা তারম্মী –য়াম্না নোক্লিংনা নোকপা মপুং ফাদ্রবা মিনোক অমা খূদক্তা তাখি। খংমনখিদুনা খংহন হন্দোক্লম্মী, খোঙ অনীমক খোঙনেৎফম লৈত্রবদৌনা হকচাং অসি চেনথখি খুদক অদুমক্তদা ঐবু ঙাকপীবদৌনা, কনানো অমনা য়ানবীবদৌনা কোনগে লাক্লখি। মখা করম তৌখি ঐহাক খঙলমদে।

নোংঙাল্লম্লে। ঐহাক কা অমদা চৌকিদারগী তম্পাক্তা মোনখাংনদুনা বামন অদুনা ঐগী খূ-শা নোইবীরদুনা লৈরম্লে। মীৎ হেক পাঙথোক্লককপদা য়াম্মাংগী অতেকপা ময়াশিং হিগৎলদুনা বামন অদুনা ঐঙোন্দা সলাম তৌরমই। হৌগৎকে তৌবদা চৌকিদারনা খামই-পোত্থাবীয়ু হুজুর। অয়ুক্কী ত্রেনগী মতমসু হেনখ্রে, নুমিদাংৱাইদা নৎত্রবদি অমুক ফঙলরোই। কমদৌনা কাদুদা চঙলুরিবা-শিরমদবা লাইবক ফৈ।

চঙক্লরিঙৈ কাগী মনুংলোমদা ওনশিন্দুনা মহাক্লা চা অশাবা কপ অমা থুনা পুরকউ হায়রম্মী। বামনগা ঐগা মীৎ চান্নরম্মী। চিঙৈ তারম্মী শ্রিং-শ্রাউ লাউবা খুজি নাচিখোল। য়াম্না তনৌ তনৌরিবী মশক মতৌ চঙখোল্লবী নহানুপী, চৌকিদারগী মচানুপী ওইরম্বা য়াই, অমা থোরক্লে, ঙাংশং ঙাংবা চানা পাথোক্লবা কপ অমা চৌকিদারদা পীরম্মী। ঐনা য়েংখৎখিবদা মাগী কোকখুমফি তাথরকপা ফিজিন্দুনা ময়াদা চিক্লি, মমিৎ অনীমক লৈখাদা য়েংথৈ। চাদু ঐঙোন্দা পীরগা চৌকিদারনা নুপীদুদা শংত্রিক য়েংলগা হায়রকই,

ঐগী নুপিনি সাহেব, কুইদ্রি নাগরকোইলদগীনি। ওম্হোক্লা ৱানা লুহোংদুনা লৌজরকপনি। লাইরিক হৈবীনি।

চৌকিদারনা মাগী নাতোন শুমাঙগী অঙৌবা কোইশিং অদু মখুৎনা নাল্ল নাল্লদুনা মথৱায় তানা নোক্লম্মী। ফিজি চিক্লিবী চিনবান অমুক্লা হেন্না কন্না চিকশিল্লবী নুপীদুনা ঐঙোল্লোমদা অমুক য়েংলকই, য়েংলম্লগা মনুংগী কারোমদা তপ্না তপ্না চঙশিনখি। বামনগা ঐগা মীৎচানহৌই।

## তাবুনুংদগী

*মণিপুরী লোনগী অহানব ফিচর ফিল্ম ''মতমগী মণিপুর'' ১৯৭২ গী এপ্রিল ৯ দা পাউনা বাজারদা লৈবা উষা সিনেমা হোলদা ইহান হান্না উৎখি। মীতৈ মচানা মীতৈলোন্দা ৱা ঙাংদুনা শান্নবা ফিল্ম অদু উবদা লমদম অসিগী মীপুম খূদিং মথুম-মরাং হৌনখি। ফিল্ম অসিদা নুপা নুপী অনী পুন্না শকমিন্নবা ঈশৈ অমা য়াওই। ঈশৈ অসি মতম অদুদা য়াম্না পাম্নখি। হৌজিকসু তাবা অদুম নুংঙাইরি। ঈশৈ অসিগী ময়েক অসিগী শৈরেংবা খুরাইজম ফুলেন্দ্রোনি শৈকপশিংনা অহৈবম বুদ্ধচন্দ্র অমদি অরাম্বম যমুনানি। ঈশৈ অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### চৎলি চৎলি মফম খূদিং ঐনা

''পা– চৎলি চৎলি মফম খূদিং ঐনা
লৈরম্মী ঐগী থম্মোয়দা লেঙদনা
পী– কনাবুনো?
পা– নঙবুনি।
পী– ঐবো?
পা– থাজদ্রগা হংঙু থম্মোয়দা ঐগী
নঙসে ঐগী, ঐগী কনানো হায়না।
পা– নীংজবদি কুইরে হায়জবদি ঙমদে
খঙনা খঙনা খঙনা খঙবীদে নঙনা।
পী– নিজবদি ঙমদে পীজখিবা কুইরে,
ঐগীনি থমজবা, ঐগী ওইরমদরে(২)
পা– করিবীনো?
পী– ঐগী পূন্সি
পা–অওইবরো?
পী– থাজদ্রগা হংঙু থম্মোয়দা ঐগী নঙসে
ঐগী, ঐগী কনানো হায়না (২)
পা,পী– চৎলি চৎলি মফম খূদিং ঐনা..
পা– লোৎপীরো ঐবু মীৎয়েংগী ৱাংমদা,
লৈহীনা থল্লবা লৈকাদা নঙগী (২)
পী– ঙমজরোই, ঙমজরোই, ঙমজরোই,
নঙতনা থল্লে ঐগী থম্মোয়
পা,পী– চৎলি চৎলি মফম খূদিং ঐনা...

## মণিপুরী পাম্ছে-পাউরৌ, পাউতাক

* **কালেনগী লৈক্রুক্তসু ঈশিং থোকই।**
  – ওইফম থোক্তবদা ওইরকপা মতৌ।
* **কোক্তা নাপী পকপা ইশানা উজদে।**
  – ইশাগী অশোয়বা ইশানা উজদে।
* **কুম্বীনা কুম্বী শাৎপনি, তুমাইনা তুমাই শাৎপনি, ফৌরেন্না ফৌরেন শাৎপনি।**
  – মাগী মাগী মচৎ, শোয়ফদ্রবা লীচৎ, মপানগী মচা, উগী উহৈ।
* **ককচেংনা অথুম্বা পাম্বদগী চুহীদা ঈরাক্লদুনা শি।**
  – মশানা পামজবা হৈনজবা থবক্তা শোয়বদগী মথৱায় মাঙই।
* **কৈ থেঙনববুদি কৈনিংচিৎ লাকপনা হেন্না লুই।**
  – লমন খুম্লকপসিনি লুরিবসি, অদুনা মসি থেঙননবা চেকশিল্লু।
* **কালিদা মী খামেন্দা কৈরাক থারগা কারখিনি।**
  – তাইবঙ মীওইবদি পুকচেল ফত্তে, পূক্লিং হকচাং লোইনমক পীকশিল্লক্তুনা মমৈদদি তুমখিবা য়াই।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

– য়ামখ্রবা লীপুননি তাইবঙসিদা, নুংশি লীপুনদি খ্বাইদগী ঙকই। উ চীকথেকপা ঙম্বা ৱাখোই (খোইমু অচৌবা) না থম্বাল লৈকা চীকথৎলগা থম্বালনা উমশিনখ্রবা মতমদা মনুংদগী খক থোক্তে।

– মচেৎ তানা ককথৎলবসু চন্দননা মনম থাদোকখিদে, অহল ওইদুনসু শামুনা মাগী হৈনবী মতৌদু থাদোক্তে, কোলুদা চপখায়রবসু চুনা থুম্বা তোক্তে, মতৌ অদুগুম্না চাওখৎপা অমসুং মপা-মপু চাউবা ইমুংগী মচাশিংনা মীওইবগী মওংদা খ্বাইদগী ফজনা হৈনবা উৎলি।

– মমানা পামজনা শেমগৎচবা মীওইবগী নহা ওইবগী মতমবু সংসারগী লাংদগী নাম্থোকহনবীনবা তাইবঙ মপুগী মখোঙ থম্বালবু নীঙজদনা, স্বর্গগী থোঙ হাংদোকহন্নবা অফবা থবক্কী মহৈ ময়াম লৌহৌদনা অমসুং মপূং ফারবী যুবতীগী দেহগা মরী লৈনবা নুংঙাইবসু লৌদনা মশামক্লা শীংজং পায়দুনা য়াম্থৎচৈ।

– লমচৎ লৈতবী অমনা নুংশিরে খল্লিবা মহাক (নুপা) অদু অপঙবনি। মরমদি নুপীনা নুপা অমখক্তবু নীঙবা তৌদে (মহাক্লা কনাগুম্বগা ৱারী শাগনি, ইঙ্গিৎনা অমদা পীগনি অদুগা মবুক্তা অতোপ্পা অমা খনগনি। অসুম তৌবসি মখোয়গী মশাদা শাগোন্নরবা হৈনবীনি।)

– মশক মতৌ ফজরবী নুপী অমনা মহাকপু নুংশিরে খল্লিবা মহাক অদু অপঙবনি। মরমদি মহাক নুপীদুগী মফমদা শিকার ওইগনি, ৱাহোং মচাগুম্না জগোয় শাদুনা পেন্ননবা হোৎনরগনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

*ঙসিগী পাউখোং ঃ*

২১৬। নুপা অমনা লম্বী চৎপা অমদা করি লমদগীনো হংই, খুমদনা মনম পোম্থোক্লম্লগা চৎখি। অতোপ্পা লম্বী চৎপা অমদা অমুক হংই। অমদুসু মখূৎ শাংনা তিংথোক্লম্লগা চৎখি। করি করি লমদগীনো?

২১৭। খোঙউপ জুরা অনী নুপা অহুমনা তিন্নরগা লৈ। থা অমগী মনুংদা নুমিৎ ২০ / ২০ তোংনসি হায়নৈ। করম্না তোংগনি।

২১৮। লৈ লৈ অৱাং শরূ লৈতেংলৈ, করি লৈনো?

২১৯। শা শা শারেনশা তোকপৈ শাদি চনশল্লু। করি হায়রিবনো?

২২০। নুপী অমনা লৈ খরা পুদুনা লাইশঙ অহুমদা কৎপা লাকই। লাইশঙ খূদিংগী মমাঙদা পুখ্রি অমমম লৈ। মথং মনাও নাইনা লৈসি কৎকদবনি। লাইশঙদা লৈশিং কৎত্রিঙৈদা মমাঙদা লৈরিবা পুখ্রিগী ঈশিংদা লুপকদবনি। হেক লুপ্পগা লৈগী মশিং শরুক ২ ওই। লাইশঙ খূদিংদা লৈ মশিং চপ মান্ননা কৎকদবনি। লৈ কয়া পুরকই লৈ কয়া কৎলি ?

*মমাঙ নোংমাইজিং (০৮-০৯-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ*

*২১৬। নম্বোল অমসুং লমশাং, ২১৭। নুপা অমনা অহানবা জুরদু অহানবা নুমিৎ ২০ নি তোংলগা থাদোক্কনি। অনীশুবা নুপানা অনীশুবা জুরাদু অহানবা নুমিৎ ১০ নি তোংলগা থাদোক্কনি। অহুমশুবা নুপানা অনীশুবা জুরাদু অকোনবা নুমিৎ ২০ নি তোংগনি। অমুক অনীশুবা নুপাদুনা অহানবা জুরাদু অকোনবগী নুমিৎ ১০ নি তোংগনি। ২১৮। শম, ২১৯। হে মীওইবা নঙগী লম হেনগনবা পূক্লিং ৱাখলদু ফাজিল্লু হায়বনি। ২২০। লৈ ৭ পুরকই, লাইশঙগী লাইশিংদুদা লৈ ৮।৮ কৎলি।*

## চয়োলসিগী ফাগী

**খূৎলং লমন !!**

মপা– (মচাশিংদা) নখোয়গী হোৎনবগা খনবগদনে ইকোক্লসে ঙৌশ্রোক ঙৌরেদনা সে, তাঙশিল্লকপসু কুইররোই...

মচা – (অতোম্বা) বাবা অদুদি ঐখোয়' বুবোক্কী মশম ঙৌরগা মকোক তাঙলিসিদি ববাহোই ককাহোইগী খনবগা হোৎনবগদগীরা?

**লোলগী ৱা!!**

রিমস (রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস) কী শরূ লায়েংফম ৱার্দতা ডাক্তরনা রাউন্দ চৎপা মতমদনি। মতুংদা ছাত্র ডাক্তর ৪/৫ না ইন্নরিবা প্রোফেসর ডাক্তরদুনা অনাবা অমগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অনাবদুগী চার্ট বোর্দতা থেংলম্লিবা এক্সরে ফিল্মদু লৌথোক্লগা থোঙনাওরোমদা থান্দুনা য়েংই। মদুদা অনাবদুগী মখোঙগী শরূদু তেক্লগা খরা-খজিক ননশিন্নবদৌনা লৈরিবদু ছাত্রশিংদুদসু য়েংহল্লগা, মখোয়গী মরক্তা য়াওরিবা চীংমী ছাত্র অমদা হংই- 'ডাক্তর ঝোন শরূদা অসুম্না তেকপা তারবদি নহাক কৈদৌগনি?'

– ''সার ঐসু পেসেন্ট অসিগুম্না প্লাষ্টর তৌরগা নাদুনা লৈগনিনে।''

**অশেংবা পাউখুম!!**

শেল-থুম, সনা-লুপা, ফি-রোলগী মতাংদা মতৈ-মনাও তত্তনা হেক-হেক খৎনৈ। নোংমদি নুপাদু শাওবা হেনমনখ্রদুনা হায়নি-হায়রোই খঙদখৈ ঙাংলকই- 'নঙসিদিনে মহা... বাজারদা য়ু য়োনবীদৈসু হেক হেনবা জাৎনিহৈ শৈত... নঙনা সিদা ঐগী নুপীনি কায়না লৈরম্লিসিদি ইমা ইপানা সম্পত্তি খরা থম্বীরম্বসিমক্লনি নৎলমদ্রবদি লৈরম্বৈ ৱাকা লৈতে...।'

নুপী – (হেন্না শাওনা) নুপানি ঙম্মী হায়দনা অদুমায়নকা পংহায় হায়জনুকো... ঙসি য়েংঙৈকো ঐ... ঐগী নুপাগী মরলবু কনানা থমবীরম্বা-থম্বীরমদবা হায়দু ঐনা তুকা থিরুবৈ দরকার লৈব্রাও!

**শত্তাকপীবা!!**

নেস্লেল গেমস ভিল্লেজ লাঙ্গোলদা লৈরিবা য়ূমশিংগী অমদা নৌনা হোংজিল্লকপা চীংমী ইমুং অমগী হুইনাও মচাদুনা, য়ূমথংনবদা হান্নদগী লৈরম্লবা ইমুং অমগী য়ূম মনিংদা পৈশিন্দুনা থম্পা অমোৎ-অকায় ফত্ত-হৌদি মপৈদু হেক-হেক চায়খায়রম্বদগী য়ূম্বু-নুপাদুনা অনৌবা চীংমী ইমুংদুগী নুপীদুদা লাক্তুনা ৱাকৎলৈ- 'সিষ্টর নখোয়গী হুইনা ঐখোয়গী দষ্টবিনবু হেক-হেক চায়খায়ররেকো অদুনা খরা ফাজিনবীয়ুকো।' ৱাকৎতু তাবদা চীংমী নুপীদুনা হরাউনা খুম্লকই- 'ওহ মিষ্টর সিংহ থেঙ্কয়ু ভেরি মচ, ঐখোয়দি নহানমখৈকো ঐখোয়গী জেকীনা মশাসু য়াম্না মোৎলকপকো অদুগা নমথীবসু য়াম্না-য়াম্না হেক্তা নমথীপিরকপসে ক্রিতকীরা হায়তনা অতুম ঈশিং লুথোকপীপতা লৈপনিনে।'

**মাগী মাগী!!**

নুপী চেনবা অহল মশেল য়ানদবদগী অঙম তান্ননরক্তুনা, নুপাদু পুলিসনা ফারগা কোর্ট তান্না জিপ অমদা পুখৎলকই। মদুদা,

ড্রাইভর – অস সার ঙসিগী থৌদোকসি নৎলমদ্রবদি সোরাৎ অমখক্তং পোৎয়েং ঙহাক্তা থিঞ্জরুগে খঞ্জরম্বনি।

আই ও – ঐসুনিনে মরী মতাশিং অমগী ফিরোই য়াওবা ফংদ্রবনিনে, মদুই হায়রদি মসি অঙাংসি মনম হেক তৎহন্নীংজাৎনি (হায়না-হায়না নুপাদুদা ওনশিন্দুনা ধপ তৌই)।

নুপা – (পেরি-পেরি) সার ঐগীদি লুহোংবা কায়রিসিদি!!

## শৈরেং

### তিন্নরম্বা মরূপ

– নিংথৌজম ইবোপিশক

উৎলম্মী লানমৈ থানবীগুম,
কুফেৎ কাফেৎ, মুৎলি মুৎলি,
খল্লুদে থম্মোইদা খোইজংলুদে মঙোন্দা,
নুংশি হৈতবগুম খল্লি ৱাখলদা।।

শান্নরম্মী অমগা অমগা তিন্নদুনা,
ফুবিখি নুংশি হৈতনা মঙোন্দা,
লংথোকখি লাপ্না লৈননবা,
ফাওখি অকিবা, মতমদুদা মহাকসু।।

নুংশিবা ফাওখিদে মীৎকুপ্তুদা,
তোখায় তামিন্নখি মহাক্তু,
চৎখি মাসু লাপ্না ইনাক্তগী,
উবা ফঙখিদ্রে অমুক হন্না।।

অশাওবনা নেমথরক্লবদা,
ৱাখলনা ইংনা খল্লক্লবদা,
নীংশিংলকখি নুংশিরকখি মহাক্তু,
নিংঙমদবা ফাওখি থম্মোই' কায়খি।।

### মীওইবা

– নিংথেমপিশক

হে মীওইবা
নঙবু মীগী মিহুল হুল্লিবরা?
করিগীনো
ঈ মশেল লান তৌনরিবা
থৱায়বু নোংমৈ চীন্দোন্দা
থরাক-থরাক য়ালহল্লিবা?
ঙরাং কেনখিবী লৈরাংদো
শিঙ্গারৈ নত্তে
নঙনা মী ওইরম্লবা
নৎত্রগা–
ইজ্জৎপু ইকায় খুম্নবিরবা
মদু থোক্কদ্রা?
লাইবক থীরবী মাগীদমক
নঙ থম্মোয় কায়রোইদ্রা?
শুজা কারবা, ঙসিগী খুন্নাইসিবু
খূত্তুম শীংলোইদ্রা?
নঙদি মীসু নত্তবা
শাসু নত্তবা
চীন্দা অমা
পূক্তা অমা
লৈ অনী লোঙবা জীবনি।
অদুননি ঙসি মালেমসিদা
চমোৎ চনৈনরিবা।

### মীৎকী মঙাল

– তাহির শাজবম

ৱাই শঙদ্রবা সহরগী লম্বীদা
মীৎ তাঙলবা অহল অমা
পায়রদুনা ওইগী খূত্তা চৈশু
য়েৎকী খূত্তনা পাত্র অমা
নিরি ভিক্ষা কোয়চৎ চৎলদুনা
লম্বীগী চিদাইদা।
য়াঙনা চেল্লিবা হৱাগারীশিং থৌশারুদে
মালেম মশক উজদ্রিবা অহল অদো
চৎলি অসুম চৎলি মাঙলোমদা
পায়রদুনা পাত্র অদো।
লৈতে খেন্নবা করিমত্তা
পৈশা থাদরম্বা থাদরমদবা
তাদে মমি মায়থোঙদা অহল অদুগী
চেন্দবনা ৱাখল করাম্বা।
নোং ঙাল্লকই নুমিৎ তাখি
অমুক নোং ঙাল্লকই
থোরকই অহল অদো নুমিৎ খূদিংগী
হনখি অমুক য়াচংলমদাইদা
অশোয় অঙাম য়াওদনা
হৱা গারী মরক অদুদা।
অদুবু হঙ্গোইনৈ মীৎ উরিবশিংনদি
লম্বী লানবদা নুংথিলদা ফাওবা
য়াওদবনা মঙাল উরিবা মীৎতুদা।।